# মণিপুরগী নুপীগী টিমনা রেগু ইভেন্টকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে



চান্দিগর, নভেম্বর ২৫ (এজেন্সী): পঞ্জাবকী চান্দিগরদা লৈবা লভলি প্রোফেসনেল য়ুনিভর্সিটিদা থা অসিগী ২১দগী চথরকখিবা ৩১শুবা সিনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপ ফোর মেন্স এন্দ ৱিমেন্স সেপাক টাক্রোগী রেগু ইভেন্টতা মণিপুরগী নুপীগী টিমনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা মণিপুরগী নুপীগী টিমনা মখোয়গী গ্রুপ মেটচশিং অদু মায় পাক্কুনা মকোক ওইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মণিপুরগী টিম অদুনা দেল্লীগী টিমবু সেট ২-০দা য়াম্না কোম্না ২১-২, ২১-৮দা থোইরগা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি, ঙরাং নুপীগী রেগুগী ইভেন্ট অদুদা মণিপুরগী নুপীগী টিম অদুনা গ্রুপ এগী শান্নখিবা লম্বা মঙাদা অন্ধ্র প্রদেশ, মহারাষ্ট্র, ঝরখন্দ, তেলঙ্গনা অমসুং পঞ্জাবপু সেট অমফাওবা মায়থীদনা লাক্লবা মতুং ঙসি দেল্লীগী টিম অদুবুসু সেট ২-০দা থোইবা ঙমখি। সেমীফাইনেলদা মণিপুরগী নুপীগী টিম অসিনা এস এস বিগী টিমগা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেট অদু ২১-১৬তা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদু অকনবা মওংদা থেংনদুনা ২১-১৮দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌখি।

ফাইনেলদা মণিপুরগী নুপীগী রেগু টিম অদুনা উত্তর প্রদেশকী টিমবু য়াম্না লাকচবা মওংদা ষ্ট্রেট সেট অনীদা ২১-৬, ২১-১০দা মায়থীবা পীদুনা নুপীগী রেগুগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

নুপাগী কাঙলুপ্তা মণিপুরগী রেগু টিম সেমীফাইনেলদা এস এস বিগী মখুৎতা সেট ০-২দা মায়থীখি। অহানবা সেট অদু এস এস বিনা ২১-৯দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেটতা মণিপুরগী টিমনা কন্না হোৎনরবসু পোইন্ট ১৩দগী হেনবা ঙমদনা মায়থীহৌখি। অহুমশুবা পোজিসনগীদমক নাগালেন্দগা লম্বা তৌনবদা মণিপুরগী টিম অদুনা সেট ২-০দা, ২১-৯, ২১-১৬তা থোইদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

পনবা য়াবদি, নুপাগী মণিপুরগী রেগু টিম অসিনা গ্রুপ মেটচতা মধ্য প্রদেশ, গুজরাট, মহারাষ্ট্র, ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং কেরলা মায়থীবা পীরগা দেল্লীগী মখুৎতা মায়থীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি। মণিপুরগী টিম অসিগী পর্ফোর্মেন্স ফজবা ওইখি।

# সঞ্জয় অমসুং অরাইজিটকী হেটট্রিক ২না ইন্দিয়ানা কানাদাবু পাঞ্জল ১৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে




ভুবনেশ্বর, নভেম্বর ২৫ (এজেন্সী): ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা ওরিষ্যাগী সিটি ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গ ষ্টেদিয়মদা ঙরাংদগী হৌখিবা জুনিয়র মেন্স হোক্কী ৱর্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা পুল বিগী মেটচ অমদা য়ূম্বু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সঞ্জয় অমসুং অরাইজিটকী হেটট্রিককী মতেংনা ইন্দিয়ানা কানাদাবু পাঞ্জল ১৩-১দা মায়থীবা পীদুনা মমাংদা টাইটল লৌবা ঙমখিবা অদু দিফেন্দ তৌবা ঙম্নবগী লম্বেল শেন্বা হৌখ্রে।

অহানবা ক্বার্টর অদু ইন্দিয়ানা খূদুম চনবা ঙমখি। মদুদা ৬শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী উত্তম সিংহনা ফিল্ড গোল অমা চনশিল্লবা মতুং মিনট ২ লৈরগা টিমমেট অমদি কেপ্টেনসু ওইরিবা ভিবেক সাগরনা ফিল্ড গোল ১ চনশিল্লগা ২-০দা লৈখি। অনীশুবা ক্বার্টর অদুদা মখা তানা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ চল্লগা কানাদানা পাঞ্জল ১ চনখি। ১৭শুবা মিনটতা পেনাল্টি ষ্ট্রোক অমা ফংখিবা অদু ইন্দিয়াগী সঞ্জয়না পাঞ্জল ওন্থোকখি। মদুগী মতুং ২৭শুবা মিনটতা মনিন্দ্র সিংহনা ফিল্ড গোল অমা চল্লগা ৪-০দা মাঙজিল থাবা ঙমখ্রবা মতুং কানাদাগী মায়কৈদগী ৩০শুবা মিনটতা খৃষ্টোফর টার্দিপনা পাঞ্জল ১ হন্দোক্লগা অহানবা হাফ অদু ইন্দিয়ানা ৪-১দা মাঙজিল থাখি।

মখা তারকপা অনীশুবা হাফকী অহানবা ক্বার্টর অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি। পেনাল্টি কোর্নরগী মতেংদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সঞ্জয় টিৱারি অমসুং হুন্দল অরাইজিটনা পাঞ্জল অমমম্ চনখি। মরিশুবা ক্বার্টরদা অরাইজিটকী পাঞ্জল ২ চল্লগা হেটট্রিক ফংখি। অদুগা সঞ্জয়সু ৫৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চল্লগা হেটট্রিক ফংখি। অতোপ্পা পাঞ্জলশিং অদু উত্তম, টিৱারি, অভিসেকনা চনখিবনি।

# সিন্ধু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

বালি, নভেম্বর ২৫ (এজেন্সী): য়ু এস দোল্লর ৮৫০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা মমাংদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা অদুগা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা জর্মনিগী ভোনে লিবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন টন টুর্নামেন্ট অসিদা পি ভি সিন্ধু অহুমশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবনি। মহাক্না ঙসি জর্মনিগী ৱর্ল্ড নম্বর ২৬ ভোনে লিগা লম্বা তৌনখিবদা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা ইৱা ৱাদনা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১২, ২১-১৮দা মায় পাক্কুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবী পি ভি সিন্ধুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা স্পেনগী শান্নরোয় বিট্রিস কোরালেজ অমদি সাউথ কোরিয়াগী সিম য়ুজিন অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

নুপাগীদা কিদম্বী স্রিকান্ত মায়থীহৌরে। অদুবু বি সাই প্রনিট মায় পাক্কুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা স্রিকান্ত থোইরম্বা দেনমার্ককী ভিক্টর এজলসেনগা থেংনরগনি।

# সাথিয়ান ৱর্ল্ড টেবল টেন্নিস চেম্পিয়নশিপকী ৩শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে

হ্যুষ্টন, নভেম্বর ২৫ (এজেন্সী): য়ু এস এগী হ্যুষ্টন সিটিদা থা অসিগী ২৩দগী হৌখিবা ৱর্ল্ড টেবল টেন্নিস চেম্পিয়নশিপকী নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী গনসেখরন সাথিয়ান অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

সাথিয়ানন ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী শান্নরোয় ৱ্লাদিমির সিদোরেনকোবু ষ্ট্রেট গেম ৪দা ১১-৯, ১১-৯, ১১-৮, ১১-৬তা মায়থীবা পীখি। মদুগী মাংওইননা গনসেখরনন চেম্পিয়নশিপ অসিদা ৩০শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারক্কুনা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা য়ুক্রেনগী জুদেনকোবু ১১-২, ১১-৯, ১১-৪, ১১-৩দা মায়থীবা পীরম্বনি। মহাক্না টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দদা ব্রাজিলগী ইসিবু গেম ৪-২দা মায়থীবা পীরম্বা নাইজেরিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ১৭ অরুনা ক্বাদ্রিগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবা অতোপ্পা শান্নরোয় এন্থোনি, দেসাই অমসুং অসান্তা অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌখি।

# পি এ এল ৱাই সী অমসুং ঈ আই ৱাই এস এ ১-১দা দ্রো চৎখ্রে

থৌবাল, নভেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাই শান্নবুংদা চথরল্লিবা ফষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২১গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা মেটচতা পি এ এল ৱাই সী অমসুং ঈ আই ৱাই এস এ পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অদুগী হৌরকপা লম্বাদা টিম অনীমক হেঞ্জিন্নবা ঙম্নখিদে। ৩১শুবা মিনটতা ঈ এল ৱাই এস এগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৩ টি কিষননা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চল্লগা পি এ এল ৱাই সীবু ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

পাঞ্জল চন্নদনা লৈরম্বদগী ঈ এল ৱাই এস এনা পাঞ্জল হাপচিল্লকখ্রবা মতুং পি এ এল ৱাই সীগী শান্নরোয়শিংনা অকনবা মওংদা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরকখিবা অদু মতম ইকান কান্নদনা ফংখি। মেটচ অদুগী ৩৩শুবা মিনটতা পি এ এল ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৭ এম দি মিরাজ অলমনা ইক্কেলাইজর অদু চল্লগা ১-১দা লৈনখি।

মেটচকী মখা তারকপা মতমদা টিম অনীগী মায়কৈদগী শান্নরোয়শিংনা ফনা কন্না হোৎনরবসু মখোয়না চন্নখিবা পাঞ্জলশিং অদুগী মথক্তা অহেনবা হাপচিনবা ঙম্নখিদবদগী টিম অনী ১-১দা দ্রো চৎখি।

# রিকগ্নাইজ তৌদবা য়ুনিটশিংনা শীনবদা য়াওরুবশিং খূদোংচাবা লৈররোই

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): য়ূঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা রিকগ্নাইজ তৌদবা এসোসিএসনশিংনা শীনবা বোদি বিল্ডিং কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়ারুবা জিমশিং/শান্নরোয়শিংনা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন (এ এম বি বি এ)না শীনবা মিষ্টর মণিপুর অমদি অতৈ কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়াবগী খূদোংচাবা লৈররোই হায়না ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসনগী সেক্রেটরি য়ুম্লেম্বম সুনন্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা মণিপুরদা হৌজিক তোঙান-তোঙানবা য়ূঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা মশক খঙদবা বোদি বিল্ডিং এসোসিএসন কয়া অমা নৌনা লিংখৎলকখিবা অসিগী মতাংদা থৱায় য়াওবা বোদি বিল্ডরশিংনা করিগুম্বা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসননা শীনবা অদুগা এসোসিএসন অসিগী মখাদা এফিলিএট তৌরবা জিমশিংগী বোদি বিল্ডরশিং খক্তনা মিষ্টর মণিপুর কম্পিটিসনদা শরুক য়াবা য়াগনি। মতাং অসিদা য়াসকী মায়কৈদগী মশক খঙদবা এসোসিএসনশিং অসিবু পূক্লিং থৌগৎপীদনবা এ এম বি বি এনা আপিল তৌরক্লি।

# নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ অমসুং কেরলা ব্লাষ্টর্স পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে




ফটোর্দা, নভেম্বর ২৫ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি গোৱাদা লৈবা ফটোর্দা সিটিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী অমসুং কেরলা ব্লাষ্টর্স পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সী অমসুং নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ওইবা এদিসন কয়া চথরকখিবা অসিদা টাইটল লৌবা ঙমদনা লাক্লিবনি। মখোয়না মমাংদা শোত্থখিবা কয়া অদু ফুগৎতুনা মকোক থোংবা ঙম্নবা হোৎনরকপদা ঙসি হৌবদগী য়াম্না থৱায় য়াওনা শান্নখ্রবসু অপীবা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎতুনা লীগ অসিগী ওইনা টিম অনী পোইন্ট অমমম্ য়েন্নখি।

# থৌবালগী হীজম জেনিকা জুনিয়র গর্লসকী ফাইনেল য়ৌখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা খুমন লম্পাক্তা লৈবা বোক্সিং এরেনাদা চথরিবা ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী ঙসি লম্বা তৌনখিবা জুনিয়র গর্লসকী কিলোগ্রাম ৫০গী কম্পিটিসনদা থৌবালগী হীজম জেনিকানা ইম্ফাল ৱেষ্টকী নিংঙোম্বম রিপাবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌখ্রে।

অতোপ্পা জুনিয়র গর্লসকী কিলোগ্রাম ৫০গী কাঙলূপ্তা বিষ্ণুপুরগী ভেনিকা য়ুম্নামনা ককচীংগী মোইরাংথেম লক্সমীবু সেমীফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা জেনিকাগা লম্বা তৌনরগনি। এলিট ৱিমেন্সকী কিলোগ্রাম ৪৮গী কাঙলূপ্তা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এলিজা অমসুং বিষ্ণুপুরগী ঙাঙোম রিমা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি। এলিজানা সেমীফাইনেলদা তেংনৌপলগী খুরিম দাংসাৱাবু মায়থীবা পীরমখি। অদুগা বিষ্ণুপুরগী রিমানা সেমীফাইনেলদা ইম্ফাল ইষ্টকী মনিশা লাইশ্রমবু থোইরম্বনি।

নুপাগী এলিট কম্পিটিসনগী কিলোগ্রাম ৪৮দা ককচীংগী নাজিমুদ্দিন অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী ইরাবোত ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

# ফ্রান্সকী পি এস জি ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মখূৎতা মায়থীখ্রবসু টিম অনীমক প্রি ক্বার্টর য়ৌখ্রে






লন্দন, নভেম্বর ২৫ (এজেন্সী): য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা ফ্রান্সকী পি এস জি (পেরিস সেন্ট জর্মেন) য়ূম্বু মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মখূৎতা পাঞ্জল ১-২দা মায়থীবা নংখ্রবসু অনীশুবা পোজিসন তারগা মকোক থোংখিবা য়ূম্বু ক্লব অদুগা লোয়ননা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মেঞ্চেষ্টর সিটিনা য়ূম্বু ওইরগা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অদু ফ্রান্সকী পি এস জিগা লম্বা তৌনরকপদা হেঞ্জিন্নবা ঙমদনা মেটচকী অহানবা হাফকী অয়াম্বা শরুক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। মিনট ৪৫গী শান্নবা লোইশিল্লকপা ফাওবদা নাকল অনীগী মায়কৈদগী খূদোংচাবা খরা ফংনখ্রবসু পাঞ্জল ওইখিদবা মরম্না ০-০দা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৫ চঙশিল্লকপদা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী ষ্ট্রাইকর কিলিয়ান মাপেনা শান্নবগী ৫০শুবা মিনটতা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু মাঙজিল থারগা লৈখি। য়ূম্বু ক্লব ওইখিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ইকান কান্নদনা মিনট ১৩গী মতুংদা রহিম ষ্টর্লিংগী য়াম্না ফজবা মিনট ৬৩গী পাঞ্জল অদুনা ইক্কেলাইজর অদু ওইরগা লৈখিবনি। মেটচ অদুগী মখা চথরকপা ৭৬শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী গেব্রিএল জিজসনা য়াম্না মরুওইবা পাঞ্জল অমা টিম অদুগী মায়কৈদগী চন্দুনা পি এস জিবু ২-১দা হেন্দুনা লৈখি। মালেমগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় লিওনেল মেসি অমদি নেমার য়াওরিবা পি এস জিগী টিমনা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা চনশিল্লকখিবা অহেনবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেটচ অদু মখোয় ১-২দা মায়থীবা নংখি।


পনবা য়াবদি, গ্রুপ এদা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা অহানবা রাউন্দ ৪ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৯ ফংলগা লৈখিবনি। অমরোমদা পেরিস সেন্ট জর্মেন পোইন্ট ৮ ফংলগা অনীশুবদা লৈখিবনি।

গ্রুপ অদুদগী মেঞ্চেষ্টর সিটিনা মেটচ ৫দা পোইন্ট ১২ ফংলগা মকোক ওইরগা পি এস জিনা পোইন্ট ৮ ফংলগা অনীশুবদা লৈখ্রবসু টিম অনীমক চেম্পিয়ন্স লীগকী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা মাঙজৌননা প্রি ক্বার্টর য়ৌখ্রবা ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলনা পোর্টুগালগী পোর্টোবু পাঞ্জল ২-০দ মায়থীবা পীদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা মেটচ ৫ শান্নবদা ৫মক মায় পাক্কুনা ফজবা ঙমখি। গ্রুপ অসিগী ওইনা ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা ইটালিগী ইন্টর মিলাননা স্পেনগী এটলেটিকো মাদ্রিদপু ১-০দা থোইদুনা মখোয়গী হান্না লৈরম্বা পোজিসন অদু ফজহনবা ঙমখি।

গ্রুপ সীদা পূন্না টিম ৩ চেম্পিয়ন্স লীগকী প্রি ক্বার্টর য়ৌবা ঙমখি। নেদরলেন্দসকী ক্লব এজাক্সনা শান্নখিবা মেটচ ৫মক মায় পাক্কুনা মাঙজৌননা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবনি। মখোয়না ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা টর্কিগী বেসিকটাসপু ২-১দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা পোর্টুগালগী স্পোর্টিং সী পিনা জর্মনিগী বোরুসিয়া দোর্টমুন্দবু ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা অনীশুবদা লৈখি। মায়থীখিবা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দসু গ্রুপ অদুদগী প্রি ক্বার্টরগীদমক ক্বালিফাই ওইখি। গ্রুপ দিদগী কানাদাগী ক্লব সেরিফ টিরাজপোল ৩শুবা পোজিসন তাখ্রবসু প্রি ক্বার্টর য়ৌখি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 300

**GM Carlsen, Magnus (2862) - GM Kamsky,G (2741)**
**Sinquefield Cup 2013 Saint Louis USA, 2013.09.09**

1.Nf3 Nf6 2.c4 c6 3.d4 d5 4.Nc3 a6 5.e3 Bf5 6.Bd3 Bxd3 7.Qxd3 e6 8.O-O Bb4 9.Bd2 Bxc3 10.Bxc3 O-O 11.a4 Nbd7 12.a5 Ne4 13.Bb4 Re8 14.Rac1 h5 15.Ne5 Qc7 16.Nxd7 Qxd7 17.Qe2 Nf6 18.Rfd1 Qc7 19.h3 Rad8 20.b3 Rd7 21.Rc2 Qd8 22.Rcc1 h4 23.Be1 Ne4 24.Qg4 g5 25.cxd5 f5 26.Qf3 cxd5 27.Rc2 Rg7 28.Rdc1 Nf6 29.Qd1 g4 30.f3 gxh3 31.Bxh4 Kf7 32.Qe1 hxg2 33.Rc7+ Re7 34.Bxf6 Kxf6 35.Rc8 Qd6 36.Qh4+ Kf7 37.Qh5+ Rg6 38.f4 Qa3 39.Qh8 Rg7 40.Qh5+ Rg6 41.Qh8 Rg7 42.Qf8+ Kg6 43.Kxg2 Rgf7 44.Qd8...

**QUESTION :**
**White to Win**

**Puzzle 299 Ans. :**

29. ...dxc3 30. Rxg7+ Kh8 31. Rh7+ The white rook decoys Black's king. Kxh7 32. Qf5+ Kh6 33. Qh3+ Kg6 34. Qg3+ The white queen attacks Black's king, which is defending square f5.
34. Qf5+ Kh6
34. ...Kh6 35. Qg7+ Kh5 36. Rf5+ Kh4 37. Qg3# Lolli's mate
30. Rxg7+ Kh8 31. Rh7+ Kxh7 32. Qf5+ Kh6 33. Qh3+ Kg6 34. Qg3+ Kh6 35. Qg7+
1-0

# লক্ষ্য সেননা ৱর্ল্ড টুর ফাইনেলসতা ক্বালিফাই ওইবা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী নৌবা শান্নরোয় ওইগদৌরি

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ২৫ (এজেন্সী): দিসেম্বর ১দগী ইন্দোনেসিয়াগী বালিদা পাঙথোক্কদৌরিবা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন ৱর্ল্ড টুর ফাইনেলসতা ইন্দিয়াগী ওইনা নহা ওইরিবা লক্ষ্য সেননা ক্বালিফাই ওইবা ঙম্বগী লম্বেল অদু চঙশিন্দুনা ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন পুৱারীদা খ্বাইদগী নহা ওইবা শান্নরোয় ওইবা ঙমগদৌরি।

মশাগী চহী ২০দা ঙাইরিবা লক্ষ্য সেননা হৌজিক-হৌজিক নুপাগী বেদমিন্টনগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৱর্ল্ড টুরগী ওইনা লৈরিবা রেঙ্কিংদা ৫শুবদা লৈরি। মহাক্তা নৎতনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোয় টুরগী ৩শুবদা লৈরিবা কিদম্বী স্রিকান্ত, নুপীগী ৪শুবদা লৈরিবী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন পি ভি সিন্ধু লোয়ননা নুপীগী দবলসতা ৬শুবা রেঙ্কিংদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী প্যের অশ্বিনি পোনাপা অমসুং এন সিকিরেদ্দিসু শরুক য়াগদৌরি।

পনবা য়াবদি, মমাংদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা কুমজা ২০১৮গী বি দব্লিয়ু এফ ৱর্ল্ড টুর ফাইনেলসকী টাইটল লৌবা ঙমদুনা ইন্দিয়াগী পুৱারী শেম্লিবনি।

# জিট কুনে-দোগী সেলেক্সন টেষ্ট

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): জিট কুনে-দো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. মোইরাংথেম ইবোমচানা থাদোরকপা চেরোল অমদা মথং চহীগী জন্যুৱারী ৭তগী ৯ ফাওবা ন্যু দেল্লগী টালকটোরা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬শুবা জিট কুনে-দো ফেদরেসন কপ টুর্নামেন্টতা মণিপুরগী টিম খন্ননবা সেলেক্সন টেষ্ট অমা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা থা অসিগী ২৮গী অয়ূক পুং ৭তগীনা ১০.৩০ ফাওবা য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা কম্যুনিটি হোলদা ট্রায়ল সেলেক্সন অদু পাঙথোক্লগনি। মরম অদুনা মরী লৈনবা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিংনা মতম চানা লাক্নবা খঙহল্লক্লি।

# অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী চেরোল অমগী মতুংইন্না এসোসিএসন অসিগী ফাউন্দর মেম্বর ওইরম্বা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ৱাঙ্খেই খুনৌদগী মশাগী চহী ৫৮ শুখ্রবা খোইরোম রোশননা লৈখিদবদা এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি। লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকাই খুম্নবসু উৎলক্লি।




HL-P/0468/27 Oct. to 26 Nov.

EMPLOYMENT NEWS

- IMPHAL BRANCH :- Security/Gunman-2, Office Asst. (Graduate)-2, Driver
- SAMUROU BRANCH :- Office Asst. (Graduate), Car wash Helper-2, Driver
- MOIRANG BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
- THOUBAL BRANCH :- Office Asst.-1, Grade IV-1
- NAMBOL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
- SEKMAI BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2

N.B. : Branch খূদিংমক্কী য়াম্না নক্লনা লৈবা মীওইশিংদা খূদোংচাবা পীজগনি।

Pl. Contact : L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994

HL-B/7200/5/10-30/11 (alt)


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com